




# MSME পলস

ওগস্ত 2023





## শ্রী সিবাসুব্রহ্মনিয়ন রামান

চিয়রমেন অমসুং MD, SIDBI

MSME সেক্তর হীংগৎহন্নবগীদমক সরকারনা হৌদোকখিবা প্রোগ্রেসিব রিফোর্মশিং পুরকপা অসি মহৈ য়াল্লে হায়বা অসি লেপ্পা লৈতবা বিজিনেস এক্তিবিতী অমসুং মাইক্রো এন্দ স্মোল সেগমেন্তিংদা তৌরিবা ক্রেদিৎ অপতেক হেনগৎলকপা অসিনা তাক্লি। ঐখোয়না ক্রেদিৎ ইন্দস্ত্রীনা MSMEশিংগীদমক ক্রেদিৎকী খুদোংচাবশিং মতম চানা ফংহন্দুনা হেনগৎলক্লিবা দিমান্দ শৌগৎপীদুনা সেক্তর অসি লেপ্পা লৈতনা গ্রোথ লৈহনবা অমসুং ইকনোমীনা সরকারগী USD 5 ত্রিলিয়ন ইকনোমীগী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা শরুক তমগনি।



## শ্রী রাজেশ কুমার

MD অমসুং CEO, ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL লিমিতেদ

MSME সেক্তর হীংগৎহন্নবগীদমক সরকারনা হৌদোকখিবা প্রোগ্রেসিব রিফোর্মশিং পুরকপা অসি মহৈ য়াল্লে হায়বা অসি লেপ্পা লৈতবা বিজিনেস এক্তিবিতী অমসুং মাইক্রো এন্দ স্মোল সেগমেন্তিংদা তৌরিবা ক্রেদিৎ অপতেক হেনগৎলকপা অসিনা তাক্লি। ঐখোয়না ক্রেদিৎ ইন্দস্ত্রীনা MSMEশিংগীদমক ক্রেদিৎকী খুদোংচাবশিং মতম চানা ফংহন্দুনা হেনগৎলক্লিবা দিমান্দ শৌগৎপীদুনা সেক্তর অসি লেপ্পা লৈতনা গ্রোথ লৈহনবা অমসুং ইকনোমীনা সরকারগী USD 5 ত্রিলিয়ন ইকনোমীগী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা শরুক তমগনি।



## ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL

**শরাদা পতিল**
Sharada.Patil@transunion.com

**শ্রুতি তিৱারি**
Shruti.Tiwari@transunion.com

**ভিপুল মহাজন**
Vipul.Mahajan@transunion.com

**এন্নী নিশঙ্ক**
Annie.Nishank@transunion.com

**নমরাতা পরাশর**
Namrata.Parashar@transunion.com

## SIDBI

**সঞ্জে জেন**
erdav@sidbi.in

**চান্দ কুরীল**
erdav@sidbi.in

**হেংজো গিনসৌনমুং**
erdav@sidbi.in

**সোহম নাগ**
erdav@sidbi.in

**দিভিক শাহনি**
erdav@sidbi.in

**ভন্দিতা শ্রিবাস্তবা**
erdav@sidbi.in

# CONTENTS


**একজিক্যুতিবকী অতেনবা ৱারোল** 4

**ইন্দস্ত্রী ইনসাইৎশিং: ক্রেদিৎ দিমান্দ, সপ্লাই এন্দ ক্রেদিৎ গ্রোথ** 6

**বেলেন্স শীত কম্মর্সিএল লেন্দিংদা – পোর্তফোলিও অমসুং দিলিনক্বেন্সীগী ত্রেন্দশিং** 11

**ভিন্তেজ কর্ব** 14

**MSMEশিংগীদমক ক্রেদিৎকী এক্সেস ফংবা হেনগৎহনবা:**
**গ্রোথ অমসুং অন্দররাইতিং প্রোসেসকীদমক NTC ‘মাইক্রো’ MSME তার্গেৎ তৌবা** 16

**কম্মর্সিএল অমসুং কঞ্জুমর ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন লৈবা MSMEশিংগী মওং-মতৌশিং**
**– কম্প্রিহেন্সিব ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন রিপোর্ত** 24


**খঙহঞ্জবা:**

1. MSME পল্স রিপোর্ত অসিদা পীরিবা নম্বর পুন্নমক INR (ইন্দিয়ন নেস্নেল রুপী)দা ঙাক্তনি।
2. FY Q2023 4গী ভেল্যুশিং অসি প্রোভিজনেলনি অমসুং ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL ক্রেদিৎ ব্যুরোদা রিপোর্ত তৌরকপা অহেনবা দেতাগা লোয়ননা রিভিজন তৌবা

ভারতকী ইকনোমী অসি ওভরওল ইকনোমিক এক্তিবিতী অদুমক মপাঙ্গল কন্না লৈখিবগা লোয়ননা মাগী গ্রোথ মোমেন্তম লেংদনা লৈখি৷ ভারতকী ইকনোমীগী য়াংলেনশরূ ওইরিবা MSME সেক্তরনা ত্রেন্দশিং অসি উংখি অমসুং লেপ্পা লৈতবা ক্রেদিৎ গ্রোথ ত্রেজেক্তরী উংখি৷ MSME পল্সকী ইদিসন অসিনা FY -23 Q4দগী ফংবা কম্মর্সিএল1 ক্রদিৎ ইনসাইৎশিং ফোঙদোক্লি অমসুং মাগী ফাইন্দিংশিংনা মসি তাক্লি:

- **কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ গ্রোথ মোমেন্তম মখা চখিখি:** কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ পোর্তফোলিও অসি FY -23Q4 দা ইয়র-ওন-ইয়র (YOY)দা %15 দা হেনগৎলকখি অমসুং ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি করোর লাখ **INR 27.7**দা লৈখি৷

| ভারতকী **MSME** ক্রেদিৎ সেক্তর মেপ্পিং তৌবা- **FY -23Q4**<br>দিমান্দ (কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্বেরী ভোল্যুমশিং) মসিদা ইন্দেক্স তৌখিবা : **FY -20Q100 = 3** | | |
|---|---|---|
| **FY 22-Q4** | **FY 23-Q4** | **YoY গ্রোথ (%)** |
| **170** | **226** | **33%** |
| **সপ্লাই (MSME গী দিসবর্সমেন্তগী শেনফম – লুপা করোর লাখতা)** | | |
| **FY 22-Q4** | **FY 23-Q4** | **YoY গ্রোথ (%)** |
| **2.45** | **2.41** | **- 1.6 %** |
| **গ্রোথ (বেলেন্স-শীত MSME ক্রেদিৎ এক্সপোজর - লুপা করোর লাখতা) নুমিৎ 720* ফাওবা** | | |
| **FY 22-Q4** | **FY 23-Q4** | **YoY গ্রোথ (%)** |
| **21.7** | **25.3** | **16.6%** |
| **পরফোর্মেন্স (দিলিনক্বেন্সীগী রেৎশিং)#** | | |
| **দেস পাস্ত দ্যু (DPD) 90-720 (সব-স্তেন্দর্দ য়াওরগা)** | | |
| **FY 22-Q4** | **FY 23-Q4** | **YoY অহোংবা(bps)** |
| **2.9%** | **2.4%** | **-0.5%** |

**MSME পোর্তফোলিওদা 720 DPD /লোস/দাউতফুল কেতগোরীদগী হেনবা দিফোল্ত কেসশিংগী লুপা করোর লাখ ~2.4 য়াওদে৷*
*# অনৌবা দিলিনক্বেন্সীগী ৱাহন্থোক্তা নুমিৎ 720 DPD হেনবানত্রগা লোস/দাউতফুল হায়না রিপোর্ত তৌরকপা লেগেসী একাউন্ত য়াওদে৷*

- **'মাইক্রো'-সেগমেন্ত ওরিজিনেসনশিংদা খ্বাইদগী ৱাংনা গ্রোথ লৈখি:** FY 23-Q4গী ওইনা অনৌবা-ওরিজিনেসনশিং অসু করোর INR 241K ওইখি৷ ওরিজিনেসনশিংগী ভেল্যুদা 'মাইক্রো' সেগমেন্তনা (করোর INR 1দগী তাবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর) YOY গ্রোথ 23% রেজিস্তর তৌখি অমসুংদা 'স্মোল' সেগমেন্তনা(করোর INR 1দগী করোর INR 10গী মনুংদা লৈবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর) অসি শুপ্পগী 1%দা হেনগৎলকখি৷ অমসুং 'মেদিয়ম' সেগমেন্তদা (করোর INR 10 দগী করোর INR 50গী মনুংদা লৈবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর) ওরিজিনেসনশিংগী ভেল্যু অসি YOYদা 19% হন্থখি৷

- **ইন্দস্ত্রিএলাইজেসনগা গ্রোথকী হকথেংননা প্রোপোর্সনেল ওই:** ইন্দস্ত্রিএলাইজেসন হেন্না ৱাংবা রাজ্যশিংদা MSME ক্রেদিৎ গ্রোথ হেন্না ৱাংখি৷ রাজ্য অমমমগী এনালাইসিস্না 'মাইক্রো' লোনশিংনা মপুং ওইনা শাহৌ পীদুনা উত্তর প্রদেশ, কর্নাতকা, তেলঙ্গানা অমসুং হরিয়ানদা ক্রেদিৎ গ্রোথ খ্বাইদগী ৱাংখি হায়না উৎখি৷ রাজ্য মরি অসিগী মরক্তা কর্নাতকানা 8%গী খ্বাইদগী ৱাংবা গ্রোথ রেৎ উৎখি৷ পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা 'মাইক্রো' এন্তরপ্রাইসশিংদা পীবা ক্রেদিৎ সপ্লাই অসি কর্নাতকাদা YOYদা 119% হেনগৎলকখি৷

- **MSME ক্রেদিৎ পরফোর্মেন্স ফগৎলকখি:** লাইচৎনা মরম ওইদুনা থোকহনবা চৈথেংগী মতুংদা দিলিনক্বেন্সী রেৎশিং হেনগৎলকখি৷ MSMEশিংন মখা তানা মখোয়গী ক্রেদিৎ ওবলিগেসনশিং থুংহনবনা মরম ওইরগা ক্বাতরশিংদা মসি তপ্পা-তপ্পা হন্থরকখি৷ লেন্দর কেতগোরী অহুমদা দিলিনক্বেন্সী রেৎশিং অসি হাইথরকখি, লোয়ননা প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংদা 1.4% লৈদুনা খ্বাইদগী তাবা ওইখি৷

- **দিমান্দ সপ্লাই গেপ মেনশিনবা অসি লেন্দরশিংগীদমক মরু ওইবা কোল-তু-এক্সন ওইখি:** দিমান্দ হেনগৎলকপা, ক্রেদিৎ পরফোর্মেন্স ফগৎলকপা অমসুং অচৌবা ইকনোমিক গ্রোথ প্রোস্পেক্তশিংগা লোয়ননা লেন্দরশিংগীদমক মখোয়গী MSME ক্রেদিৎ পোর্তফোলিওশিং হেনগৎহন্নবা তামফম চারে। ভারত্তা MSME কোর্পোরেৎ লাখ 630 লৈ মসিগী মনুংদা লাখ 250 খক্তনা ফোর্মেল সোর্সশিংদগী ক্রেদিৎ ফংখি। অমরোমদা সেক্তর অসিনা প্রোজেক্ত তৌখিবা কম্পাউন্দ এনুএল গ্রোথ রেৎ (CAGR)গী %2.5দা মখা তানা খুমাং চাউশিল্লি অদুগা MSME কোর্পোরেৎ এন্তিতীশিংগী মশিং অসিনা FY23 ফাওবদা লাখ 750  য়ৌরগনি পানরি। মসিগী মনুংদা লাখ 500 রোমনা NTC MSMEশিং ওইরগনি হায়না পানরি। লেন্দরশিংনা মতিক চাবা NTC MSMEশিং মশক খঙদোক্তুনা, মখোয়গা লোয়ননা কন্নেক্ত তৌদুনা অমসুং মখোয়গী মথৌ তাবশিংগীদমক ক্রেদিৎ প্রদক্তশিং কস্তমাইজ তৌদুনা অচৌবা সেগমেন্ত অসিদা তেপ তৌবা য়াগনি।
- **ন্যু-তু-ক্রেদিৎ (NTC) এন্তিতীশিংনা MSME ক্রেদিৎ গ্রোথকী মথংগী ফেস মশক তাক্কনি:** MSME পল্সকী ইদিসন অসিনা 'মাইক্রো' NTC MSMEশিংগী স্তদী অমা কবর তৌখি অমসুং MSME ক্রেদিৎ গ্রোথ শাহৌ পীনবা সেগমেন্ত অসিগী মতিক-ময়াই অদু এনালাইস তৌখি।  FY -23Q4দা ওরিজিনেসনশিংগী %56না NTC ওইদুনা NTC সেগমেন্তনা MSME ক্রেদিৎ গ্রোথকী মথংগী ফেস মশক তাকপদা মরু ওইগনি হায়বদা মীৎয়েং চংখি। NTC সেগমেন্তনা সব লাখ 10গী লোন ফংখিবা বোরোৱরশিংগী শিয়র ৱাংবগা লোয়ননা 'মাইক্রো' লোনশিংগী মনুংদা ওরিজিনেসনশিংগী %61 হেন্না শরুক তমখি।

ইনফোর্মেসন ইনফ্রাস্ত্রকচর অমসুং তেক্নোলোজী খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলকপগা লোয়ননা MSME ক্রেদিৎ অন্দররাইতিং অসি ইনফোর্মেসন ওরিয়েন্তেদ ওইরকখি, থুজিল্লকখি অমসুং হেন্না থাজবা য়াবা ওইরকখি। ক্রেদিৎ ইন্সতিত্যুসনশিংনা মতিক চাবা NTC MSMEশিং মশক খঙদোক্নবা দেতাগী শক্তি নীংথিনা শীজিন্নগদবনি অমসুং সস্তেনেবল গ্রোথ লৈহন্নবা মখোয়দা ক্রেদিৎ সপ্লাই তৌগদবনি।

*1ক্রেদিৎ এক্সপোজরদা য়ুম্ফম ওইরগা খাইদোকপা কম্মর্সিএল লোনশিং অসি এন্ত্রী লেবেলদা এগ্রিগেৎ তৌখি, মাইক্রো: লুপা করোর 1 ফাওবগী এক্সপোজর তৌবা*

*য়াম্না পীকপা: < লুপা লাখ 10 ; মাইক্রো1: লুপা লাখ 10 অমসুং লুপা লাখ 50গী মরক্তা এক্সপোজর তৌবা; মাইক্রো2: লুপা লাখ 50 অমসুং লুপা করোর 1 গী মরক্তা লৈবা এক্সপোজর তৌবা.*




## কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ দিমান্দ অসি লেপ্প্লা লৈতনা হেনগৎলক্লি

ইকনোমিক এক্তিবিতীদা ফগৎলকপা অসিনা কম্মর্সিএল লোনশিংগী দিমান্দ লাকহন্দুনা মমাং চহিগী চপ মান্নবা মতমগা চাংদম্নবদা FY 23-Q4দা 33% হেনগৎলকখি। FY 20-Q4দগী FY 23-Q4দা ক্রেদিৎ দিমান্দ (ইনক্বেরী) অসি শরুক অনি ওইরক্তুনা বোরোৱিং এক্তিবিতীদা চাউনা অমসুং শীংথানীংঙাই ওইনা হেনগৎলকখি উৎলি।

*FY 23-Q4দা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎকী দিমান্দ অসি YoYদা 33% হেনগৎলকখি*

### ইন্দেক্স তৌরবা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্বেরী ভোল্যুম

ইনক্বেরী ভোল্যুমশিংগী YoY




*ফাইনান্সিএল ইয়র ক্বাতরশিং*
*ইন্দেক্স: FY -20Q3*

## লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ক্রেদিৎ দিমান্দ

FY 23-Q4 দা PSB শিং অমসুং প্রাইবেৎ সেক্তর বেঙ্কশিংদা ক্রেদিৎকী দিমান্দ অসি মমাং চহিগী ভোল্যুমশিংদগী শরুক 1.3 হেনগৎলকখি৷ NBFC শিংদা ক্রেদিৎ দিমান্দ মমাং চহিদগী শরুক 1.5 হেন্না হেনগৎলকপগা লোয়ননা মখোয়না কন্মর্সিএল ক্রেদিৎ স্পেস্তা কম্পিতিতিব প্লেয়রশিং খোঙজেল য়াংনা ওইরকখি৷ বিজিনেস এক্তিবিতী হেনগৎলকপা, অচৌবা ক্রেদিৎ দেতা ফংহনবা অমসুং দিজিতেল লেন্দিং খোঙজেল য়াংনা ইমপ্লিমেন্ত তৌরকোআ অসিনা MSME ক্রেদিৎ দিমান্দগী গ্রোথতা শাহো পীরিবা মরু ওইবা ফেক্তরশিং ওইরি৷

*পব্লিক অমসুং প্রাইবেৎ সেক্তর বেঙ্কশিংদগী ক্রেদিৎ দিমান্দ 1.3x হেনগৎলকখি*


*ক্রেদিৎ দিমান্দ হেনগৎলকপগী মরম অসি মসিনা ওইরি:*

*a. বিজিনেস এক্তিবিতীদা হেনগৎলকপা*

*b. অচৌবা ক্রেদিৎ দেতা ফংহনবা*

*c. দিজিতেল লেন্দিং শীজিন্নবা হেনগৎলকপা*

### লেন্দরগী মখলগী মতুং ইন্না ইন্দেক্স তৌরবা কন্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্রেরীশিং




*ফাইনান্সিএল ইয়র ক্বাতরশিং*

*ইন্দেক্স: FY -20Q3*




# ক্রেদিৎ সপ্লাইনা দিমান্দ থুংহনবা ঙমখিদে

লেন্দরশিংনা কম্মর্সিএল লেন্দিংদা হৈশিংবা এপ্রোচ অমা পাইখৎখিবনা হেনগৎলক্লিবা দিমান্দগা চাংদম্নবদা MSME সেক্তরদা পীরিবা ক্রেদিৎ ফ্লো অসি তপখি৷ FY 23-Q4দা ক্রেদিৎ দিমান্দনা 33%দা হেনগৎলকখি অমরোমদনা সপ্লাইনা 11% খক্তদা হেনগৎলকখি৷

FY 23-Q4দা অনৌবা MSME ক্রেদিৎ ওরিজিনেসনশিংগী অপুনবা শেনফম অসি করোর INR 241K ওইখি৷ FY 20-Q4গা চাংদম্নবদা কম্মর্সিএল লোনশিংগী দিসবর্সমেন্ত অসি মার্চ 2023 ফাওবদা 1.7Xগী গ্রোথ লৈবা উবা ফংখি৷

**MSMEগী দিসবর্সমেন্তগী শেনফম (করোর লিশিংদা)**





*ফাইনান্সিএল ইয়রগী ক্বাতরশিং*

# PSB শিংনা ‘মাইক্রো’ এন্তরপ্রাইজশিংগী মাংজিল থারিবা ক্রেদিৎ সপ্লায়রশিং ওইরি

মাইক্রো’ এন্তরপ্রাইজশিংনা মশক থোকপা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ক্রেদিৎ দিমান্দা উবা ফংখিবা অদুগুম্না কম্মর্সিএল লোন ওরিজিনেসনশিংনা মান্নবা ত্রেন্দশিং উৎখি৷ ইনসাইৎশিংনা সব লুপা করোর 1গী লোনশিং লৌখিবা বোরোৱরশিংদা YoYগী গ্রোথ 23% উৎখি অমরোমদা লুপা করোর 1দগী তানা লৌখিবা বোরোৱরশিংগী রেৎনা তাখি৷ অসুম্না ‘মাইক্রো’ লোনশিং (করোর 1দগী তাবা) অসিনা ক্রেদিৎ গ্রোথতা শাহৌ পীরি উৎলি৷

**MSME সেগমেন্তগী মতুং ইন্না ভেল্যু ওরিজিনেসনশিংগী গ্রোথ**





*ফাইনান্সিএল ইয়রগী ক্বাতরশিং*

# লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ক্রেদিৎ সপ্লাই পীবা

প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংনা কম্মর্সিএল লোনশিংগী ওরিজিনেসনদা শিয়র খ্বাইদগী ৱাংবগা লোয়ননা MSME সেক্তৱদা তৌবা লেন্দিংদা মাং থারি। অদুম ওইনমক, NBFCশিংনা FY 23-Q4দা চাউনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা খোঙজেল য়াংনা শিয়র পাইশিল্লি অদুবু মসি ‘স্মোল’ সেগমেন্তশিংদা ওইরি। অমরোমদনা প্রাইবেৎ অমসুং পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী কম্মর্সিএল লোন দিসবর্সমেন্তশিংদা খরা খজিক হন্থরকখি, NBFCশিংন অচৌবা ত্রেজেক্তরী অমা উৎতুনা মখোয়গী লেন্দিং এক্তিবিতীশিংদা পোজিতিব ত্রেন্দ অমা লাক্লি তাক্লি।

## বোরোৱর মখলদা লৈরিবা লেন্দরশিংগী মতুং ইন্না ওরিজিনেসন বেলেন্সকী প্রোপর্সনেৎ শিয়র

**MSMEদা লৈরিবা লেন্দর মখলগী মতুং ইন্না ওরিজিনেসনশিং**





*ফাইনান্সিএল ইয়র ক্ৱাতরশিং*

MSME এন্তিতীশিংদা তৌবা কম্মর্সিএল লেন্দিং অসি মখা তানা ইন্দস্ত্রিএলাইজেসন ৱাংবা রাজ্যশিংদনা হেল্লি। কর্নাতকা অমসুং উত্তর প্রদেশনা ওরিজিনেসনশিংদা য়েংবদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা হেনগৎখি।

পুন্না সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফমদা য়েংবদা চাউনা ইন্দস্ত্রিএলাইজ তৌবা রাজ্যশিংদা (মহারাস্ত্র, গুজরাত অমসুং তামিল নাদু) FY 23-Q4দা ~-8% হন্থজরবসু ওরিজিনেসন ভেল্যুদা য়েংবদা শিয়র খ্বাইদগী চাউনা লৈখি।

রাজ্যশিং অসিদা উরিবা গ্রোথ অসি অফবা বিজিনেস এনভাইর্নমেন্ত অমসুং ইজ ওফ দুইং বিজিনেসন্না তেংবাং পীরিবা কন্দ্যুসিব কন্দিসনশিংনা মরম ওইরগা ওইখিবনি।


**ওরিজিনেসনশিংগী গ্রোথ মেপ: মকোক থংবা রাজ্য 5 (FY 23-22 Q4)**



# MSME বোরোৱর সেগমেন্ত শিনবা থুংবদা এভরেজ লোন সাইজতা হন্থরকখি

FY 23-Q4দা MSME এন্তিতীশিং মরু ওইনা লুপা করোর 1দগী হেনবা লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংনা লৌখিবা কম্মর্সিএল লোনশিংগী এভরেজ লোন সাইজতা হন্থরকখি৷ মসিগী অহোংবা অসিনা MSME এন্তিতীশিংগী মরক্তা হেন্না পীকপা লোন সাইজকী মাইকৈদা লাক্লিবা ত্রেন্দ অমা উৎতুনা মার্কেৎতা বোরোৱিং প্রিফরেন্সশিং অমসুং মথৌ তাবশিংদা হোংলক্লি তাক্লি৷


## MSME সেগমেন্তগী মতুং ইন্না এভরেজ লোন সাইজ (লাখতা)




*ফাইনান্সিএল ইয়র ক্বাতরশিং*

লেন্দরশিংগী কঞ্জর্বেতিব এপ্রোচ, লো রিস্ক এপ্লেতাইত অমসুং কল্লেক্সনশিংগী অৱাংবা মমলশিং অসিনা পব্লিক সেক্তর অমসুং প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংদা এভরেজ লোন সাইজতা হন্থহনখি৷ FY 23-Q4গী ওইনা পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংদা অমসুং প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংদা লৈরিবা লোন তিক্কেৎ সাইজ অসি মথং শিংনা 21% অমসুং 7% হন্থখি অমরোমদা NBFCশিংদা লৈরিবা এভরেজ লোন সাইজ অসি YoYদা 9% হেনগৎলকখি৷

*পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিং অমসুং প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংদা লৈরিবা লোন তিক্কেৎ সাইজ অসি মথং শিংনা 21% অমসুং 7% হন্থরকখি অমরোমদা NBFCদা এভরেজ লোন সাইজ অসি 9% হেনগৎলকখি৷*




*ফাইনান্সিএল ইয়র ক্বাতরশিং*

# মার্চ 2023দা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ গ্রোথ মখা তানা লেংদনা লৈখি

FY 23-Q4 ফাওবদা অপুনবা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি করোর লাখ 27.7 লৈখি। অদুম ওইনমক বুক অসিগী শরুক অমদা – চাউরাক্লা লুপা করোর লাখ 2.4 ওইরিবা 9% - দেস 720দগী হেনবা DPD (দেস পাস্ত দ্যু) নত্ত্রগা লোস/দাউতফুল ওইনা রিপোর্ত তৌরকখিবা একাউন্তশিং মনুং চল্লিবা লেগেসী একাউন্তশিং য়াওরি। MSME পল্স এনালাইসিসকী ওইনা ঐখোয়গী মীৎয়েং অসি ইয়র-ওন-ইয়রগী গ্রোথ 16% উৎলিবা FY 23-Q4 ফাওবদা অচৌবা লুপা করোর লাখ 25.3গী শেনফম ওইবা 720 DPDদগী তাবা অমসুং সব-স্তেন্দর্দ

একাউন্তশিংদা থমগনি। ক্রেদিৎ আউৎস্তেন্দিং বেলেন্সতা য়েংবদা ‘মাইক্রো’ বোরোৱরশিং (লুপা করোর 1দগী তাবা লোন ফংলিবা) অসিনা চাউরাক্লা 26% শরুক তমদুনা লুপা করোর লাখ 6.5গী অচৌবা শেনফম অমা শরুক তম্মি। নাকল অমরোমদা ‘স্মোল’ বোরোৱরশিং (লুপা করোর 1 দগী লুপা করোর 10 ফাওবগী লোনশিং লৌরিবা) অমসুং ‘মেদিয়ম’ বোরোৱরশিং (লুপা করোর 10দগী লুপা করোর 50 ফাওবগী লোনশিং লৌরিবা) অসিনা পুনশিল্লগা কম্মর্সিএল আউৎস্তেন্দিং বেলেন্সগী 74%রোম ওইরি, মসি লুপা করোর লাখ 18.9গা মান্নৈ।

‘মাইক্রো’, ‘স্মোল’ অমসুং ‘মেদিয়ম’ সেগমেন্তগী বেলেন্সশিং অসি কম্মর্সিএল লেন্দিং স্পেস্তা মথং শিৎনা18%, 17% অমসুং 15%দা YoYদা মখা তানা হেনগৎলক্কনি।

*‘মাইক্রো’, ‘স্মোল’ অমসুং ‘মেদিয়ম’ সেগমেন্তগী বেলেন্সশিংনা মখা তানা 18%, 17% অমসুং 15%দা YoYদা হেনগৎলক্কনি*

**বেলেন্স-শীত কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ এক্সপোজরদা (করোর লাখতা)**

| | <=720 DPD, সব-স্তেন্দর্দ | 720+ DPD/DBT/ লোস | অপুনবা |
|---|---|---|---|
| Q4 2020 | 18.5 | 1.7 | 19.7 |
| Q1 2021 | 17.8 | 1.8 | 19.6 |
| Q2 2021 | 18.4 | 1.8 | 20.2 |
| Q3 2021 | 18.8 | 1.9 | 20.7 |
| 04 2021 | 19.6 | 1.9 | 21.5 |
| Q1 2022 | 19.4 | 2.1 | 21.5 |
| Q2 2022 | 19.9 | 2.2 | 22.1 |
| Q3 2022 | 20.7 | 2.3 | 23.0 |
| Q4 2022 | 21.7 | 2.4 | 24.2 |
| Q1 2023 | 22.1 | 2.4 | 24.5 |
| Q2 2023 | 23.3 | 2.5 | 25.8 |
| Q3 2023 | 24.2 | 2.6 | 26.8 |
| Q4 2023 | 25.3 | 2.4 | 27.7 |
| | 16% | -1% | 15% |


| | মাইক্রো | স্মোল | মেদিয়ম | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|
| 04 2020 | 4.6 | 7.5 | 6.0 | 18.0 |
| 01 2021 | 4.5 | 7.3 | 5.9 | 17.8 |
| Q2 2021 | 4.7 | 7.6 | 6.1 | 18.4 |
| Q3 2021 | 4.8 | 7.8 | 6.2 | 18.8 |
| Q4 2021 | 5.0 | 8.1 | 6.4 | 19.6 |
| Q1 2022 | 5.0 | 8.0 | 6.3 | 19.4 |
| Q2 2022 | 5.1 | 8.3 | 6.5 | 19.9 |
| 03 2022 | 5.2 | 8.6 | 6.8 | 20.7 |
| Q4 2022 | 5.5 | 9.1 | 7.2 | 21.7 |
| Q1 2023 | 5.5 | 9.2 | 7.3 | 22.1 |
| Q2 2023 | 5.9 | 9.7 | 7.7 | 23.3 |
| 03 2023 | 6.2 | 10.1 | 7.9 | 24.2 |
| Q4 2023 | 6.5 | 10.6 | 8.3 | 25.3 |
| YOY Q4 2023 | 18% | 17% | 15% | 16% |



# MSME বোরোৱরশিংনা দিলিনক্বেন্সী রেৎশিংদা হেনগৎলকখি তাক্লি

*FY 23-Q4গী ওইনা দিলিনক্বেন্সী রেৎশিং অসি 2.4% ওইরি*


কমর্সিএল লেন্দিং দেতাগী একজামিনেসন অসিনা FY 23গী ওইনা দিলিনক্বেন্সীগী রেৎ হন্থরে তাকখি। FY 23-Q4গী ওইনা 90-720 DPD & সব-স্তেন্দর্দকী ওইনা দিলিনক্বেন্সী রেৎশিং অসি 2.4% ওইখি। মসি হৌখিবা চহি 2দা খ্বাইদগী তাবা দিলিনক্বেন্সী রেৎ ওইখি।




পোর্তফোলিও পরফোর্মেন্সনা বোরোৱর সেগমেন্ত পুম্নমক্তা দিলিনক্বেন্সীদা হন্থরকখি উৎখ্রে।

| দিলিনক্বেন্সীরেৎ | Q4 2020 | Q4 2021 | Q4 2022 | Q4 2023 |
|---|---|---|---|---|
| 'মাইক্র | 3.7% | 4.0% | 3.9% | 3.1% |
| স্মোল' | 3.1% | 3.1% | 2.4% | 2.0% |
| 'মেদিয়ম' | 4.1% | 3.5% | 2.3% | 1.9% |

পোর্তফোলিও পরফোর্মেন্সনা বোরোৱর সেগমেন্ত পুম্নমক্তা দিলিনক্বেন্সীদা হন্থরকখি উৎখ্রে।



লেন্দর কেতগোরী অহুমমক্তা দিলিনক্কেন্সী রেৎশিং তাথরক্লি। NBFCশিংনা FY 23-Q4দা দিলিনক্কেন্সী রেৎশিং খ্বাইদগী তাখি, মসি FY 22-Q4দা 5.0% ওইরম্বদগী তাথরকপনি।

*লেন্দত কেতগোরী অহুমদা দিলিনক্কেন্সী রেৎশিং হাইথরক্লি —NBFCদা খ্বাইদগী চাউনা তাখি*


| দিলিনক্কেন্সী রেৎ | Q4 2020 | Q4 2021 | Q4 2022 | Q4 2023 |
|---|---|---|---|---|
| PSBs | 5.3% | 4.6% | 3.7% | 3.0% |
| PVT | 2.1% | 2.4% | 1.6% | 1.4% |
| NBFC | 4.6% | 5.0% | 5.0% | 3.6% |



## ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী হাইথরকপনা MSME ক্রেদিৎ পরফোর্মেন্সতা ফগৎলকখি তাক্লি

অনৌবা ওরিজিনেসনশিংগী পরফোর্মেন্সতা হেন্না নীংথিনা ইনসাইৎশিং পীনবা ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBILনা ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী ত্রেন্দশিং উৎখি। অঙনবগী দিলিনক্বেন্সীগী মিজরমেন্ত অসিনা FY 19-Q4 দগী FY 22-Q4 ফাওবগী ওরিজিনেসন মতম কোনশিনখি। পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা অঙনবগী দিলিনক্বেন্সীনা FY 21-Q3 অমসুং FY 21-Q4দা ওরিজিনেৎ তৌবা কম্মর্সিএল লোনশিংগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। ফিস্কল পিরিয়দ 22-23দা ওরিজিনেসনশিংগী ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী অসি COVID মমাংগী ওরিজিনেসনশিংগা চাংদম্নবদা ৱাংনা অদুমক লৈখি, FY 22-Q4দা ওরিজিনেৎ তৌখিবা লোনশিংদা খরা মখৈ ফগৎলকপগী মমি উবা ফংখি।

**ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সীশিং**





*ফাইনান্সিএল ইয়রগী ক্বাতরশিং*

# বোরোৱর কেতগোরীগী মতুং ইন্না

ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী অসি সেমি-অর্বান এরিয়াদা পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী ওরিজিনেসনদগী মপুং ওইনা শরুক তমদুনা ৪% লৈদুনা ‘মাইক্রো’ সেগমেন্তগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংখি।


**বোরোৱর মখলগী মতুং ইন্না ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী**




# লেন্দর মখলগী মতুং ইন্না

PSB ওরিজিনেসনশিংগী ওইনা ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী অসি 13% ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংখি।

**লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ভিন্তেজ দিলিনক্বেন্সী**




# ন্যু-তু-ক্রেদিৎ (NTC) ‘মাইক্রো’ MSMEশিং- সস্তেনেবল গ্রোথকী দ্রাইবরশিং

লাখ 650 ভারত্তা লৈরিবা MSMEশিং লাখ 250 ক্রেদিৎ পীখ্রবা MSMEশিং লাখ 750 এস্তিমেৎ তৌখিবা ভারত্তা লৈরিবা MSMEশিংগী CAGR 2.5% লাখ 500 এস্তিমেৎ তৌখিবা ভারত্তা লৈরিবা NTC MSMEশিং ক্রেদিৎকীদমক ইলিজিবল ওইবা হৌগৎলক্লিবা বিজিনেস এন্তিতীশিংনা MSME ক্রেদিৎ গ্রোথকী মথংগী খোঙথাংগী দ্রাইবরশিং ওইবা য়াই৷ হৌগৎলক্লিবা এন্তিতীশিংগী মথৌ তাবশিংদা যুক্ষম ওইরগা ক্রেদিৎ প্রদক্তশিং কস্তমাইজ তৌদুনা অমসুং দেলিবর তৌদুনা মখোয়দা মতম চানা ক্রেদিৎ সপ্লাই তৌবনা এন্তরপ্রাইজশিং অসুনা মখোয়গী কেশ ফ্লোশিং মেনেজ তৌবা অমসুং মখোয়গী বিজিনেস ওপরেসনশিংদা অপনবা থোক্তনা চল্লাইবা ঙম্বা শক্তি পীগনি৷ NTC MSMEশিংদা ক্রেদিৎ এক্সেস ফংহনবনা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজনগী পান্দমশিং সপ্পোর্ত তৌগনি অমরোমদা GDPদা শরুক তমদুনা, এক্সপোর্ত শিয়র হেনগৎহন্দুনা অমসুং লার্জ স্কেল এম্প্লোয়মেন্ত জেনরেৎ তৌদুনা ইকনোমিক গ্রোথ হেনগৎহনগনি৷

ভারত্তা চাউরাক্লা MSME কোর্পোরেৎ চাউরাক্লা লাখ 630 লৈ মসিগী মনুংদা লাখ 250 খক্তদা ক্রেদিৎ ফংহনখি৷ অমরোমদা সেক্তর অসিনা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা প্রোজেক্ত তৌখিবা কম্পাউন্দ এনুএল গ্রোথ রেৎ (CAGR)গী 2.5%দা মখা তানা খুমাং চাউশিল্লি অদুগা MSME কোর্পোরেৎ এন্তিতীশিংগী চাউরাকপা মশিং অসিনা FY23 ফাওবদা লাখ 750 য়ৌরগনি পানরি৷ মসিগী মনুংদা লাখ 500 রোমনা NTC MSMEশিং ওইরগনি হায়না পানরি৷

কম্মর্সিএল লোনশিং অসি এন্তিতী লেবেলদা তৌরিবা ক্রেদিৎ এক্সপোজরগী এগ্রিগেৎতা যুক্ষম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা সেগমেন্তশিংদা খাইদোকই৷ ‘মাইক্রো’ এন্তরপ্রাইসশিং অসিনা লুপা লাখ 100দগী হেন্দনা ইনভেস্তমেন্তশিং তৌরিবশিংবু খঙনৈ৷ ‘মাইক্রো’ এন্তিতীশিং অসি মখা তানা বোরোৱরগী কেতগোরী অহুম থোক্লা খাইদোকই৷ ‘ভেরী স্মোল’, ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি লুপা লাখ 10দগী তাবা, ‘মাইক্রো1’, ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি লুপা লাখ 10দগী লাখ 50গী মরক্তা লৈবা অমসুং ‘মাইক্রো2’ ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি লুপা লাখ 50দগী লাখ 100 গী মরক্তা লৈবা৷


মখোয়গী ইহান হানবা MSME ক্রেদিৎ প্রদক্ত হাংদোকখিবশিং অদুবু NTC MSME এন্তিতীশিং হায়না খঙনৈ৷ মখোয় অসি ফার্স্ত-জেনরেসন ওন্তপ্রিনোরশিং, অহানবা ওইনা এক্সপোর্ত তৌরিবশিং অমসুং হান্না লৈবা বিজিনেসশিংদা পাকথোক চাউথোক্লবা নত্রগা তেক্নোলোজিকেল ইন্নোবেসনশিংগীদমক ক্রেদিৎ লৌনবা তৌরিবশিং অদুনি৷




*সোর্স: মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্তরপ্রাইজেস মন্ত্রালয়*

মাইক্রো’ সেগমেন্তগী (করোর 1দগী তাবা) মনুংদা লৈবা NTCদা ক্রেদিৎ এক্সেস চাউনা পীনবা ইনসাইৎশিং পুথোকপা অসি মরু ওই মরমদি NTC বোরোৱরশিংদা লেন্দরশিংগী অচৌবা গ্রোথ পোতেন্সিএল লৈ৷

FY 23-Q4দা বোরোৱরশিংনা MSME লেন্দিং স্পেস্তা অনৌবা লোন ওরিজিনেসনগী 56% শরুক তমখি৷ মরু ওইনা ‘মাইক্রো’ সেগমেন্ত (লাখ 100দগী তাবা) মনুংদা লৈবা বোরোৱরশিং অসিনা ওরিজিনেসনশিংগী 61% হেন্না শরুক তমখি৷ ‘মাইক্রো’ সেগমেন্ত মনুংদা কম্মর্সিএল লোনশিংগীদমক অৱাংবা ক্রেদিৎ দিমান্দ অসিনা পোজিতিব লেন্দর সেন্তিমেন্ত অমসুং অচৌবা দিমান্দগা পুনশিন্দুনা, মসিনা NTC বোরোৱরশিংগী গ্রোথতা চাউনা শাহৌ পীখি, মসিনা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজনদা চাউনা শরুক তম্মি৷




*ফাইনান্সিএল ইয়রগী ক্বাতরশিং (মখোয় মশাগী কেতগোরীদা লৈরিবা লোনশিংগী %)*

| ভেরী স্ম লে | মাইক্রো 1 | মাইক্রো 2 |
| --- | --- | --- |
| লুপা লাখ 10দগী তাবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর | লুপা লাখ 10 অমসুং লুপা লাখ 50 গী মনুংদা লৈবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর | লুপা লাখ 50 অমসুং লুপা লাখ 100 গী মনুংদা লৈবা ক্রেদিৎ এক্সপোজর |
| ওরিজিনেসনশিংদা NTCগী শিয়র 75% য়াওরি | ওরিজিনেসনশিংদা NTCগী শিয়র 40% য়াওরি | ওরিজিনেসনশিংদা NTCগী শিয়র 16% য়াওরি |


*ফাইনান্সিএল ইয়রগী ক্লাতরশিং (মখোয় মশাগী কেতগোরীদা লৈরিবা লোনশিংগী %)*



# ন্যু-তু-ক্রেদিৎ (NTC) গ্রোথকীদমক মার্কেৎশিং এক্সপ্লোর তৌবা

MSME সেগমেন্তদা NTC বোরোৱরশিংনা ওরিজিনেসনশিংগী অচৌবা 61% অমা শরুক তমখি।

*NTC সেগমেন্ত অসি রিতরল ত্রেদরশিংদগী চাউনা দিমান্দ লাকপনা ঙাকলৌ পীদুনা খুমাং চাউশিল্লি*



- পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংনা লুপা লাখ 50দগী তাবা লোনশিং লৌরিবা NTC বোরোৱরশিংগী মপুং ওইবা লেন্দরশিং ওইরি, অমরোমদা প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংনা লুপা লাখ 50 দগী করোর 1 ('মাইক্রো 2')গী মরক্তা লৈরিবা লোনশিংগী মাংজিল থারিবা সপ্লায়রশিং ওইরি।
- জিওগ্রাফী কয়ামরুমদা ক্রেদিৎ এক্সেস ফংহন্দুনা রুরেল অমসুং সেমি-অর্বানগী মফমশিংদগী NTC বোরোৱরশিংনা লুপা লাখ 10দগী তাবা তিক্কেৎ সাইজকী লোনশিং ফংহনবা ঙমহল্লি।
- লুপা লাখ 50দগী তানা লোনশিং লৌরিবা NTC বোরোৱরশিংগী 50% হেনবনা মখোয়গী পীকথবা তিক্কেৎ সাইজ লোনশিংগী খোঙচৎ হৌখ্রে।
- রিতেল ত্রেদরশিংনা NTC বোরোৱরশিংগী খ্বাইদগী চাউবা শরুক ওইরি।
- দিজিতাইজেসন হেনগৎলকপা অমসুং ইনফোর্মেসন এক্সেস তৌবা হেনগৎলকপা অসিগা লোয়ননা মাইক্রো লোনশিং (লুপা লাখ 100দগী তাবা) অসিগী তর্নঅরাউন্দ তাইম অসি চাউনা হেনগৎলকখি। খ্বাইদগী য়াংবা প্রোসেসিং তাইম অসি লুপা লাখ 50 অমসুং করোর 1('মাইক্রো 2')গী লোন সেগমেন্তনা ওইখি।

  মখা তানা লুপা লাখ 50 দগী করোর 1 ফাওবগী লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংগী সেগমেন্তশিংদা হেন্না লুথনা পেনিত্রেসন তৌনবা মাইকৈদা খুদোংচাবা মরাং কাইনা লৈ। তোঙান-তোঙানবা কেতগোরীগী লেন্দরশিংনা অখন্নবা NTC নত্ত্রগা অনসর্ব বোরোৱরশিং সর্ব তীবদা স্পেসিএলাইজ ওই, মসিনা তোঙান-তোঙানবা বোরোৱর সেগমেন্তশিংদা হেন্না চাউনা ক্রেদিৎ এক্সেস তৌবা ঙমহল্লি।

## 'মাইক্রো' MSME সেগমেন্তদা ন্যু-তু-ক্রেদিৎ (NTC) অমসুং একজিস্তিং-তু-ক্রেদিৎ (ETC) বোরোৱরশিং চাংদম্নবা

স্তদী অসিদা ঐখোয়না NTC লেন্দিংগা একজিস্তিং-তু-ক্রেদিৎ (ETC) বোরোৱরশিং চাংদম্নবা 'মাইক্রো' MSMEশিংগী মার্কেৎ করেক্তরিস্তিক্স নৈনরি। ETC পোপুলেসন্দা কান্নরবা এনালাইসিস অমা পীরিবা এস্তাব্লিশ তৌরবা ক্রেদিৎ হিস্তরী লৈবা এন্তিতীশিং য়াওরি।

ঐখোয়না উবা ফংঙি মদুদি NTC বোরোৱরশিংনা লুপা করোর 1দগী তাবা লোনশিং ('মাইক্রো') লৌনবা তৌরিবা বোরোৱরশিংগী মরক্তা ক্রেদিৎ ওরিজিনেসনশিংদা গ্রোথ লৈহল্লি। ইনসাইৎশিংনা উৎখি মদুদি অতাবা তিক্কেৎ সাইজকী লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংগী মশিং হেনগৎহল্লি। অমরোমদা লাখ 10গী মখাগী লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংনা NTC অমসুং ETC সেগমেন্ত অনিমক্তা চাউনা শরুক তম্মি, শরুক তম্বা অসি NTC বোরোৱরশিংনা হেন্না ৱাংখি। মসিনা লেন্দরশিংনা লাখ 10গী মখাগী লোনশিং লৌরিবা ('ভেরী স্মোল') বোরোৱর সেগমেন্তদা হেন্না মীৎয়েং থম্নবা মখোয়গী লালোশিং শেম্বা মরু ওইহল্লি।

*লাখ 1দগী তাবা লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংগী মরক্তা ক্রেদিৎ ওরিজিনেসনশিংদা NTC বোরোৱরশিংনা গ্রোথ লৈহল্লি*


রিজনেল দিস্ত্রিব্যুসনগী মতাংদা লাকপদা লেন্দরশিংনা রিজনশিংদা কনসিস্তেন্ত ক্রেদিৎ পোলিসীশিং ঙাক্তুনা থম্বনা NTC অমসুং ETCদা ওরিজিনেসনশিংগী দিস্ত্রিব্যুসন তৌবদা মান্নবা শিয়র লৈ। মসিনা লেন্দরশিংনা তায়র পুন্নমক্তা হেনগৎলক্লিবা দিমান্দশিং অসি সপ্পোর্ত তৌরি তাক্লি।

অরোমদা রিমোৎ জিওগ্রাফীশিংনা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজনদা মীৎয়েং চংবা হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা NTC গ্রোথকীদমক অচৌবা খুদোংচাবা পীরি। উত্তর প্রদেশ, মহারাস্ত্র অমসুং কর্নাতকাগুম্বা রাজ্যশিংনা ওরিজিনেসন লোয়ননা প্রপোর্সনদা য়েংবদা NTC শিয়রদা লেপ্পা লৈতবা গ্রোথ পেত্তর্ন অমা উৎখি। হরিয়ানা, দিল্লী অমসুং কেরালানা অৱাংবা কম্পিতিতিব মার্কেৎশিং লৈদুনা গ্রোথ অমসুং খুদোংচাবগী অচৌবা ওইথোকপা য়াবা অমা লৈ উৎখি।

প্রজেন্স হেন্না হেনগৎহন্নবা জিওগ্রাফীশিং অসিদা লেন্দরশিংনা হেন্না কনবা এক্কিজিসন স্ত্রেতেজী অমদা মীৎয়েং চংগদবনি।

*রিমোৎ জিওগ্রাফীশিংনা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজনদা মীৎয়েং চংবা হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা NTC গ্রোথকীদমক অচৌবা খুদোংচাবা পীরি*


**FY -23Q4: রাজ্যগী মতুং ইন্না 'মাইক্রো' MSMEগী NTC ওরিজিনেসন**



রিতেল অমসুং মেছিনরী অমদি ত্রান্সপোর্ত ইক্বিপমেন্ত সেক্তরশিংদা লৈরিবা ত্রেদরশিংনা NTC বোরোৱর সেগমেন্তদা গ্রোথ লৈবা উবা ফংলি।

*রিতেল অমসুং মেছিনরী/ত্রান্সপোর্ত ইক্বিপমেন্ত সেক্তরশিংদা লৈরিবা ত্রেদরশিংনা NTCদা গ্রোথ লাকপা উবা ফংলি*

**FY -23Q4 : ইন্দস্ত্রীশিংগী মতুং ইন্না 'মাইক্রো' MSMEগী NTC ওরিজিনেসন**




## NTC বোরোৱরগা য়েংনবদা ETC বোরোৱরগী ক্রেদিৎ প্রোফাইল


সেগমেন্ত অসিদা এক্সেস হেন্না হেনগৎহন্নবা NTC অমসুং ETC বোরোৱরশিংগী খোঙচৎ মুন্না খঙবা তঙাই ফদে। হীরম অসিগীদমক ঐখোয়না ওক্তোবর 2020 অমসুং মার্চ 2021গী মরক্কী মতমগী মনুংদা লৈবা কমর্সিএল লোন ওরিজিনেসনশিং লৌরি। ETC বোরোৱরশিংগীদমক্তা ঐখোয়না পীরিবা মতম অসিগী মমাংদা য়ামদ্রবদা চহি অনিগী ক্রেদিৎ হিস্ত্রী লৈবশিং খক্তমক লৌরি। MSME বোরোৱর কেতগোরী অমসুং CIBIL MSME রেঙ্ক (CMR) অসি মতম "t"দা ওল্লি, অমরোমদা NTC বোরোৱরশিংগী CMR রেঙ্ক অসি "t+6"তা ওল্লি।

ইনসাইৎশিংনা উৎলি মদুদি 'মাইক্রো' NTC বোরোৱরশিং অসি ETC বোরোৱরশিংগা রিস্ক দিস্ত্রিব্যুসন অমসুং বোরোৱর কেতগোরীদা চাংদম্নবদা খেন্নৈ।

ETC বোরোৱরশিংনা NTC বোরোৱরশিংগা চাংদম্নবদা মতমদা য়াম্না তোখাইবা রিস্ক প্রোফাইল অমা লৈজৈ। NTC বোরোৱরশিংগী জেনরেৎ তৌখিবা অহানবগী CMR অসি মহৌশানা মেদিয়ম-রিস্ক কেতগোরীগী মনুংদা তাই (CMR 4-6), মসিনা বোরোৱরশিংগী চাউরাক্লা 72% শরুক তম্মি। নাকল অমরোমদা ইস্তাব্লিশ তৌরবা ক্রেদিৎ হিস্ত্রীশিং লৈবা বোরোৱরশিংগী 46% অসি মেদিয়ম-রিস্ক রেঞ্জ মনুংদা লৈ হায়না খাইদোকখি।

মরম অসিনা পোপুলেসন সেগমেন্ত অনি অসিগী মরক্তা কম্পেরেবিলিতী লৈহন্নবা ETCগী প্রোফাইল অসি রিস্ক অমসুং 'মাইক্রো' MSME সব সেগমেন্তশিংগীদমক কন্ত্রোল তৌখি।

**CMR বেন্দশিংগী মতুং ইন্না দিস্ত্রিব্যুসন তৌবা**



মখোয়গী তোপ-তোপ্পা করেক্তরিস্তিকশিং অমসুং প্রিফরেন্সশিং অদু উৎখি। ঐখোয়না উবা ফংখি মদুদি NTC বোরোৱর অনি খুদিংদা অমদি ক্রেদিৎ এক্সেস হন্থবগা লোয়ননা দিমান্দ লোন (লেন্দরনা হায়রকপদা বোরোৱরনা শীংগৎকদবা শোর্ত-তর্ম লোন অমা) অমগী খুখাংদা মখোয়গী ক্রেদিৎ খোঙচৎতগী ওরিজিনেৎ তৌখি অমরোমদনা ETC বোরোৱরশিংগী অনৌবা লোন ওরিজিনেসনশিংগা চাংদম্নবা মতমদা লাখ 1দগী তাবা তিক্কেৎ সাইজকী লোনশিংগী চাউরাক্না 61% লৌখি।

**প্রদক্তকী মরমদা:**
লোং তর্ম লোন: চহি 3 মথক্কী মতমগী ওইবা লোন

| প্রদক্তশিং | NTC | ETC |
|---|---|---|
| লোং-তর্ম লোন | 8% | 15% |
| মিদ তর্ম লোন | 7% | 14% |
| দিমান্দ লোন | 54% | 12% |
| কেশ ক্রেদিৎ | 11% | 7% |
| অনসেক্যুর্দ বিজিনেস লোন | 3% | 6% |
| ওভরদ্রাফ | 7% | 6% |

| তিক্কেৎ সাইজ | NTC | ETC |
|---|---|---|
| <লাখ 1 | 61% | 36% |
| লাখ 1-2 | 7% | 15% |
| লাখ 2-5 | 11% | 25% |
| লাখ 5-10 | 10% | 17% |
| লাখ 10-25 | 7% | 48% |
| লাখ 25+ | 4% | 29% |

**মিদ তর্ম লোন: চহি 1গী মথক অমসুং চহি 3 ফাওবগী মতমগী লোন**

**দিমান্দ লোন: ৱার্কিং কেপিতেলগী মথৌ তাবশিং থুংহন্নবা লৌবা শোর্ত-তর্ম লোন**

**কেশ ক্রেদিৎ: কম্পনীগী ইনভেন্তরী অমসুং রিসীবএবলশিংনা ঙাকলৌ পীবা শোর্ত-তর্ম লোন**

**অনসেক্যুর্দ বিজিনেস লোন: কোল্লাতরেল ওইনা এসেৎ অমত্তা সেক্যুরিতী ওইনা থমদবা লোনশিং**

**ওভরদ্রাফ: মতম অমা হেক্তদা শেনফম  অমা লৌথোকপগী ক্রেদিৎ ফেসিলিতী**


**** NTC ওরিজিনেসনশিংগী 90% শরুক তম্নিবা মকোক থোংবা লোন প্রদক্ত 6**


## NTC বোরোৱরশিং –মথংগী থা 18গী ইনসাইৎশিং অমসুং ত্রেজেক্তরী

সেক্সন অসিদা ঐখোয়না NTC বোরোৱরশিংগী ক্রেদিৎ বেলেন্স গ্রোথতগী প্রোফিতেবিলিতী একজামিন তৌদুনা মখোয়গী তশেংবা পোতেন্সিএল পুখোক্লি। মখোয়গী ক্রেদিৎকী খোঙচৎ  অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ঐখোয়না বোরোৱর সেগমেন্ত অসিগী মনুংদা লৈরিবা অচৌবা খুদোংচাবশিং অসি পুখোক্লবা পান্দম থম্মি।

কান্নরবা ইনসাইৎশিং লৌনবা ওক্তোবর 2020 অমসুং মার্চ 2021গী মনুংদা MSME মার্কেৎতা NTC বোরোৱরশিংনা এন্ত্রী তৌবদগী হৌদুনা থা 18গী মতমগী ওইনা মখোয়গী ক্রেদিৎকী খোঙচৎ কুপ্না য়েংশিনগনি। NTC বোরোৱরশিংগী "t+6" অমসুং ETC বোরোৱরশিংগী 't'দা লৈরিবা ক্রেদিৎ স্কোর মাইগ্রেসন চাংদম্নদুনা ঐখোয়না ক্রেদিৎ হেল্থতা শোকচিল্লকপা নত্ত্রগা ফগৎলকপা অমা হেক্তবু মশক খঙদোক্লবা পোপুলেসন অনিমক্কী নৌনা ওরিজিনেৎ তৌবা ক্রেদিৎ প্রদক্তশিংগী ক্রেদিৎ পরফোর্মেন্স এক্সেস তৌখি।


ঐখোয়না থীজিল্লবদা NTC 'মাইক্রো' MSME বোরোৱরশিংনা হেন্না পীকপা লোনগী শেনফমগা লোয়ননা মখোয়গী ক্রেদিৎকী খোঙচৎতা চৎপা হৌখি অদুবু মখোয়না অখন্নবা গ্রোথকী খুদোংচাবা অমা পীরি হায়য়া খঙবা ঙমখি। একাউন্ত হাংবগী রেৎ ৱাংবগা লোয়ননা বোরোৱরশিং অসিনা ক্রেদিৎ এক্সেসতা হেন্না হেনগৎহন্নবগী অচৌবা পোতেন্সিএল লৈ। অহানবা ক্রেদিৎ লোন ওরিজিনেসনগী মতুংদা থা 18গী মতম অসিদা NTC MSME বোরোৱরশিংনা অচৌবা ক্রেদিৎ গ্রোথ উৎখি, ETC বোরোৱরশিংগা চাংদম্নবদা বেলেন্সশিং শেমগৎপা শরুক 1.4 হেন্না ৱাংখি।





*MOB0দা ইন্দেক্স তৌখিবা*


ঐখোয়গী এনালাইসিসনা উৎখি মদুদি থা 9-12 গী ময়েক শেংবা ইনফ্লেসন পোইন্তগা লোয়ননা লো-রিস্ক সেগমেন্ত (CMR 1-3) খোঙজেল য়াংনা হেনগৎলকখি। মসিনা লেন্দরশিংনা অফবা ক্রেদিৎ ক্বালিতীদা থাজবা থম্মি তাকপা খক্তা নত্তনা মসিনা ক্রেদিৎ একাউন্ত হেন্না হাংবসু ঙমহল্লি। য়েৎ থংবা চার্তা ঐখোয়না 'মাইক্রো' সব সেগমেন্তশিংগী মীৎয়েংদগী মখাদা পীরিবা থাশিংদা লাখ 50দগী তাবা লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংগা চাংদম্নবদা লাখ 50 অমসুং লাখ 100গী মরক্তা লোনশিং লৌরিবা বোরোৱরশিংনা লোনশিংগী মশিং হেন্না এক্সেস তৌরি হায়বা উবা ফংলি।




*MOB0দা ইন্দেক্স তৌখিবা*

লেন্দরশিংদা ঙন্না ৱাল্লেৎ শিয়র হেনগৎহন্নবা মাইক্রো কেতগোরীদা NTC বোরোৱরশিংদা ক্রেদিৎ পীবা হেন্না হেনগৎনবা পুক্নিং থৌগৎখি। বোরোৱরশিং অসিনা ক্রোস-সেল অমসুং অপ-সেলগীদমক অফবা খুদোংচাবা পীরি, লেন্দরশিংবু মখোয়গী আর্নিং পোতেন্সিএল হেনগৎপা য়াহল্লি।




NTC কঞ্জুমরশিংনা ক্রেদিৎ এক্সেস ফংবা, হিস্তরী শেমগৎপা অমসুং প্রদক্তশিং হেন্না হাংদোকপগা লোয়ননা মখোয়না মখোয়গী ETC কাউন্তরপার্তশিংদগী হেন্না খোঙজেল য়াংনা ফগৎলক্লি তাক্লি। মসিনা NTC বোরোৱরশিংগী ক্রেদিৎৱর্দিনেসতা ক্রেদিৎ এক্সেসকী পোজিতিব ইম্পেক্ত পীরি উৎলি।

*NTC কঞ্জুমরশিংনা মখোয়গী ETC কাউন্তরপার্তশিংদগী ফগৎলকপগী চাং খোঙজেল য়াংলি উৎলি*


| 12 MOBদা লৈরিবা এভর 90+ DPD | NTC | ETC |
|---|---|---|
| ভেরী স্মোল | 26% | 22% |
| মাইক্রো 1 | 2% | 9% |
| মাইক্রো 2 | 2% | 5% |

অদুম ওইনমক দিলিনক্বেন্সীগা মরী লৈননা NTC বোরোৱরশিংনা ETC বোরোৱরশিংদগী হেন্না খজিক হন্থনা পরফোর্ম তৌখি। লুপা লাখ 10 ('ভেরী স্মোল')দগী তানা লোনশিং লৌরিবশিংনা থা 12দা 4%গী হেন্না ৱাংবা দিলিনক্বেন্সী উৎখি, মসিনা অন্দররাইতিং দেতা অমসুং তুলশিং ফগৎহনবা অসিনা রিস্ক ময়েক শেংনা এক্সেস তৌবদা মরু ওই তাক্লি।

## FIT রেঙ্ক

ঐখোয়গী স্তেদী অসিনা ওগস্ত 2018 অমসুং সেপ্তেম্বর 2019গী মরক্তা ওরিজিনেৎ তৌখিবা ‘মাইক্রো’ MSME NTC লোনশিং একজামিন তৌখি অমসুং মখোয়বু FIT রেঙ্ককী মতুং ইন্না মেপ তৌখি। ঐখোয়না খঙবা ঙমখি মদুদি FIT রেঙ্ক 5কী মখাদা লৈবা লোনশিংনা FIT রেঙ্ক 1-5গী মনুংদা লৈবা লোনশিংগা চাংদম্নবদা দিফোল্তকী প্রোবেবিলিতী চাউনা ৱাংখি। মরু ওইনা NTC বোরোৱর সেগমেন্তদা ক্রেদিৎৱর্দিনেস নীংথিনা প্রিদিক্ত তৌনবা অফবা দেতা অমসুং তুলশিং শীজিন্নদুনা লেন্দরশিংনা রিস্ক ঙাকথোকপা য়াই। অমরোমদা NTC সেগমেন্তনা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজন চাউনা ফংহনবগা লোয়ননা ‘মাইক্রো’ MSME (করোর 1দগী তাবা এক্সপোজর) কঞ্জুমরশিংবু হেন্না ৱাংবা রিস্ককী মাইকৈদা পুশিল্লি। মরম অসিনা দিজিতেল অমসুং ফাইনান্সিএল রেকোর্দশিং, ইনকম দেতা অমসুং ত্রেদ দেতা (বেঙ্ক স্তেৎমেন্তশিং, GST, ITR, অসিনচিংবা) অসিগুম্বা ‘মাইক্রো’ MSME NTC কঞ্জুমরশিং অন্দররাইতিং তৌবদা অমসুং অফবা রিস্ক-রিৱার্দ রেসিও লেংদনা থম্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবা অলতর্নেতিব দেতা সোর্সশিংশিংগী মথৌ তাই। মখা তানা NTC সেগমেন্তদা লোনশিং পীরিবা লেন্দরশিংনা রিস্ককী মমল মতিক চানা পীনবা অমসুং MSME ইভেল্যুএৎ তৌবদা FIT দেতা শীজিন্নবদগী কান্নবসু ফংগনি।

### দিফোল্ত কর্বকী প্রোবেবিলিতী




| FIT রেঙ্ক | দিফোল্তকী প্রোবেবিলিতী | | |
|---|---|---|---|
| | ভেরী স্মোল | মাইক্রো 1 | মাইক্রো 2 |
| লো (FIT 1-3) | 1.8% | 2.4% | 1.7% |
| মেদিয়ম (FIT 4-8) | 3.6% | 4.3% | 5.5% |
| হায় (FIT 9-10) | 12.3% | 11.7% | 14.9% |



# কম্মর্সিএল অমসুং কঞ্জুমর ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন লৈবা MSMEশিংগী মওং-মতৌশিং- কম্প্রিহেন্সিব ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন রিপোর্ত (CCIR)

CCIR স্তদী অসিদা ঐখোয়না কম্মর্সিএল ব্যুরোদগী প্রোপ্রাইতরশিপ-লেবেল কুপ্না একজামিন তৌখি, মসি ঐখোয়না অমুক কঞ্জুমর ব্যুরোদগী মীওই অমমমগী PAN ইনফোর্মেসনগা লোয়ননা ক্রোস-রিফরেন্স তৌখি। ঐখোয়গী এনালাইসিস অসি খ্বাইদগী নৌনা ফংবা দেতা মপুং ওইনা কম্মর্সিএল অমসুং কঞ্জুমর ব্যুরো অনিমক্কী মার্চ 2023 ফাওবগী লাইব পোর্তফোলিওদা যুক্ষম ওইখি।

ঐখোয়না কম্মর্সিএল বোরোৱরশিংদা মীৎয়েং থমখি অমসুং কম্মর্সিএল অমসুং কঞ্জুমর প্রদক্তশিং অমসুং ক্রেদিৎ স্কোরশিং য়াওনা কঞ্জুমর দোমেনশিংদা লৈরিবা মখোয়গী ইহান হানবা ত্রেদশিং এক্সপ্লোর তৌখি। শীংথানীংঙাই ওইনা, ঐখোয়না কম্মর্সিএল এন্তিতীশিংগী য়ামদ্রবদা 20%না কঞ্জুমর ব্যুরোদা প্রজেন্স লৈ হায়বা খঙবা ঙমখি, মসিনা বিজিনেস অমসুং রিতেল এক্তিবিতীশিংগী মরক্তা চাউনা ওভরলেপ তৌই তাক্লি। কঞ্জুমরশিং অসিগী মরক্তা চাউরাক্পা 80%না কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ লৌদ্রিঙৈ মমাংদা কঞ্জুমর ব্যুরোদা মমাংগী ত্রেদ হিস্তরী লৈ।

কঞ্জুমর ব্যুরো দেতা থীজিনবদা ঐখোয়না মপুং ওইবা প্রদক্ত কেতগোরী অহুম মশক খঙদোকখি: কঞ্জুম্পসন লোনশিং, ভেহিকল লোনশিং অমসুং মোর্তগেজ লোনশিং। কেতগোরীশিং অসিনা ক্রেদিৎ লৌনীংবা কঞ্জুমরশিংগী মরক্তা তোপ চোইসশিং রিপ্রজেন্ত তৌরি, মখা তানা মখোয়গী কম্মর্সিএল অমসুং পর্সনেল ফাইনান্সিএলগী পান্দমশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু খঙহল্লি।

| অহানবা ওরিজিনেসন | বোরোৱরগী % |
|---|---|
| কঞ্জুমরদা অহানবা লোন | 78% |
| কম্মর্সিএলদা অহানবা লোন | 14% |
| চপ মান্নবা মতম | 8% |

| প্রদক্ত | বোরোৱরগী % |
|---|---|
| কঞ্জুম্পসন লোনশিং | 58% |
| ভেহিকল লোনশিং | 42% |
| মোর্তগেজ লোনশিং | 34% |
| এগ্রী লোনশিং | 14% |
| অতৈ লোনশিং | 63% |



ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL লিমিতেদ

ৱান ৱর্ল্দ সেন্তর, তাৱর 2A-2B, 19শুবা ফ্লোর, সেনাপতি বাপত মার্গ, লোৱর পরেল, মুম্বাই - 400 013

© 2023 ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL লিমিতেদ ওল রাইৎস রিজর্ব